**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-01-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৫-০১-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই ৪ য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়াসু ফাগৎলে হায়রি।

২) অসাম রাইফলসনা মিজোরমদগী লূপা কোতি ৩৩ রোম হেনবগী মেথামফেতামাইন তেরেপ্লেটশিং ফারে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিবু মপুং ফানা শেমগৎ শাগৎপদা শান্ন-খোৎনবনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী

মীওইশিং য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙম্লে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথ্বদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ-আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী মীওই অমা ফারে। মীওই অদু থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কাইরেনবিখোক ময়াই লৈকাইদগী ফাখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস স্তেসননা কোনবা কোংবা খুনৌ এরিয়াদগী কে.সি.পি তাইবংঙানবগী এক্তিভ কাদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মীওই অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল লাইতোঞ্জম মখা লৈকাইদগীনি। মীওই অসিদগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল ১ অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু ৪ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিৱা লম্বী খা মাইবম লৈকাইদগী আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী কাদর অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি।

থৌবাল জিলাগী হৈরোক পুলিস স্তেসননা কোনবা হৈরোক পার্ট টু চীংগোলদগী হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী মীওই অমসু ফাখি।

নাকল অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়াইরিপোক তোপ নিংথৌনাই লাইচীংগী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্বদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর ১, শিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১, মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল ১, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল ১, মেগজিন ২, ওতোমেতিক পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল ১, আই.দি ২, হেন্দ গ্রেনেদ ২, চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ ১, মরু ৩৭ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংলেপ পুলিস স্তেসননা কোনবা লনচিংঙম্বী চিংফৈ ভিলেজ এরিয়াদগী কে.জি ১০০ রোম লুম্বা পোখাইবা য়াবা মচাকশিং, রোকেট ১, নুংথিল অমসুং নুমিদাংগী মতমদা য়েংবা য়াবা তেলিস্কোপ

য়াওবা স্নাইপর রাইফল ১, কন্ত্রি মেদ এস.বি.বি.এল ২, মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল ১, সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫, তুয়েল্ব বোর লাইট কার্ত্রিদজ ১০ অমসুং কে.জি ৩ লোম লুম্বা আই.ঈ.দি ১ ফাগৎপা ঙমখি।

জিলা অসিমক্কী হেংলেপ পুলিস স্তেসননা কোনবা সেজাং খুলগী এরিয়াদগী কে.জি ৪০ রোম লুম্বা মেদিয়ম সাইজ রোকেট ২, কন্ত্রি মেদ দবল বেরেল ৩ অমসুং কন্ত্রি মেদ দবল বেরেল ১ ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসনা আইন কাইনা গারি থৌবশিং ফাদুনা ফাইন থিহনবগী থবক মখা তানা চথুরি। হৌখিবা দিসেম্বর ২৯ দগী ঙরাং ফাওবদা গারিশিংদা তিন্তেট ফিল্ম নপ্পশিং লৌথোকপগী থবকসু চথুখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা মিজোরমদগী লূপা কোতি ৩৩ রোম হেনবগী মেথামফেতামাইন তেব্লেটশিং ফারে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- তেব্লেটশিং অদু মিজোরমগী সাইতুৱাল জিলাগী কাইফাংদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কিলোগ্রাম ১১ রোম হেনবা মেথামফেতামাইন তেব্লেট অদু মীওই অমদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অদু মেথামফেতামাইন তেব্লেটশিং অদুগা কোন্ননা সাইতুৱাল প্‌লিস স্তেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী চান্দেল খৃষ্টান স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জিলা অসিগী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী রি-ত্রাইয়েল ঙসি অয়ুক পুং ১০ দা পাঙথোক্কনি হায়না দি.এস.এ চান্দেলগী চেরোল অমনা হায়রি। নুপা ফুটবোল শান্নরোইশিংনা মসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। থা অসিগী ৯ দা সেনাপতি জিলাদা ফাইনেল ত্রাইয়েল পাঙথোক্কনি। ফাইনেল ত্রাইয়েলদা খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদু ছতিসগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া ত্রাইভেল ফুটবোল টুরনামেন্টকী অহানবা এদিসনদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিবু মপুং ফানা শেমগৎ শাগৎপদা শান্ন-খোৎনবনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। ভারনাসিদা ৭২ শুবা নেসনেল ভোল্লিবোল টুরনামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- শান্ন-খোৎনবা অমসুং লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী লন্বীদা য়ামা অচৌবা মরী লৈনৈ। শান্নবদা টিম ওইনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা থোইনবা হোৎনবগুম লৈবাক অসিগী চাউখৎপদসু রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারনা পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি। লৈবাক অমা চাউখৎপা হায়বসি অপুনবগী পাঙ্গল অমসুং হোৎনবা কনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- সরকার অসিনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা অহেনবা বদজেট কাইথোক্লে। সরকার অসিনা শান্নরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবশিং খঙদোকবা, মচি ওইবা চিঞাক ফংহন্নবা অমসুং শান্নরোহশিংদা খনবদা নিয়ম চুমা খন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

**লেবরঃ** লেবর অমসুং এবপ্লোমেন্ট মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি-অনৌবা লেবর কোদ অসিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী দুৱার লমদম তেরাই অমসুং দার্জিলিং চীংদা চা বগান অমসুং শিনকোনাগা শিন্মীশিংগী পুনশিদা অহোংবা পুরকপা ঙল্লগনি।

টি এন্দ সিনকোনা লেবর ত্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবশিং অমসুং স্কেকহোল্ডরশিংগা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দাভিয়াগা উনবদা শ্রী মন্দাভিয়ানা হায়-চহী কয়াদগী মফমশিং অসিদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিং অৱাবা কয়া খাঙদুনা লাক্লি। মখোয়গীদমক হন্দক্তা নৌনা শেমখিবা লেবর কোদ অসিনা কান্নবা কয়া ফংহল্লগনি।

**সেসনঃ** দেল্লি বিধান সভাগী নিংথম মীফম ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৮ ফাওবা চথগনি। নুমিৎ ৪ নিগী মীফম অসিদা দেল্লিদা হৱা নুংশিৎ মোৎশিল্লক্লিবা অকোইবগী ফিভম অমসুং সিস মহল প্রোজেক্টকী সি.এ.জি রিপোর্টকা মরী লৈনবা ৱাফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নগনি হায়রি। মীফম অসিগী মাংওইননা ঙরাং দেল্লি বিধান সভাগী অদক্ষ্যা বিজেন্দ্র গুপ্তনা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা মীফম অসিগীদমক শেম শারিবশিং অদু য়েংশিনখি। মহাকা হায়-মীফম অসিদা সদস্যা পুমমকা হাউসকী দেকোরম ঙাকা চত্তুনা মীফম অসিবু শান্তি ওইনা পাংথোকবা হোৎনসি। হন্দক্কী মীফম অসিদা এম.এল.এশিংনা মশা মশাগী আইপেদশিংদা নেসনেল ঈ বিধান এপ্লিকেসন শিজিন্নগনি।

**মেটঃ** ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি কা হেন্না লৈচিল কুংনা থাগনি। দেল্লি, হরিয়ানা, চান্দিগর, উরিষা, পঞ্জাব মধ্য প্রদেশ অমসুং নোংপোক থংবা উট্টর প্রদেশতা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকগনি। এজেন্সী অসিনা হায়-বিহার, হিমাচল প্রদেশ, ঝরখন্দ, রাজস্থান, উট্টরাখন্দনচিংবা মফমশিংদা ঙসি কা হেন্না লৈচিল থাবা অমসুং অইংবা মায়োকগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেন্সসকী মতাংদা অকনবা খোঙজং লাক্কদৌরি হায়বা পাউ, মীতৈ মৈতৈ ত্রাইভ য়ুনিয়ননা পোলিতিসিয়ানশিংগী মথক্তা নো এস.টি-নো ভোৎ কেম্পেইন চথরগনি হায়না লাউথোকখিবা অমসুং জর্মন রোদ তাইগর রোদকী ৱাথোক্কী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস অমসুং মণিপুর মেল পাউচেশিং অসিগী অহানবা লামাইদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সেন্সস-অকনবা খোঙজং লাক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসুং ম্যান্মার পার্লিয়ামেন্তরি মীখল অয়াম্বা সিট প্রো মিলিটরি য়ু.এস.দি.পিনা ফংলি হায়বসিনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু ফোঙলি।

মীতৈ মৈতৈ ত্রাইভ য়ুনিয়ননা পোলিতিসিয়ানশিংগী মথক্তা নো এস.টি-নো ভোৎ কেম্পেইন চত্থরগনি হায়না লাউথোকখিবগী পাউ অসি-পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লোকেল এরিয়া দেভলপমেন্ট ফন্দগী মতাংদা আর.টি.আই থারকপদা তরামা ওক্লি হায়না লোক সভাগী এম.পি বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

জনুৱারি ১৫ ফাওবগী মনুংদা লাইরিক ফংহনদ্রবদি বোসেমগী মথক্তা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না ইন্দিজেনস য়ুথ এসোসিয়েসন কংলৈপাকা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফমগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

জোব ক্রিয়েসন এন্দ ইকোনোমিক দেভলপমেন্ট ইন অৱর ষ্টেট হায়বা

হীরমদা নোংমগী ওইনা কনভেন্সন পাঙথোকখিবা অমসুং লমদম অসিদা মহৌশাগী ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকবা খোঙথাংশিং পায়খৎপদা পন্থুদনবা অপুনবগী থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বা ফোক্সকী ৱাফমা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

এম.এল.এ পাউলিয়নলাল হাউকিপকী গারি অমদগী দ্রগ অমসুং নোংমৈ সিস তৌখি হায়রদুনা কেস অদু এন.সি.বি নিউ দেল্লিদা ইনভেষ্টিগেসন চথহনবীয়ু হায়না চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিদা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী বেনর হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**